# দোনরশিংনা শেল থাদদবদগী টালিবান্না অৱাবা মায়োক্নরি



কাবুল, নবেম্বর ২৯ :

ফোরন ক্রুপশিং শিবগী মহুত্তা অফঘান মীচমশিংনা হেন্না শিবা হেনগৎলক্লিবা লালহৌদা দোনরশিংনা শেলগী মতেং পাংনিংলত্তবগা লোয়ননা অফঘান টালিবান্না হৌজিক শেলগী ক্রাইসিস অমা মায়োক্নরক্লে হায়রি।

টালিবান রেজিমগী মখাদা সিনিয়র দিপ্লোমেট অমা ওইখিবা মুলাহ রাহমাতুলা জাকাজাদানা গর্দিঅন পাউচেদা হায়খি মদুদি, মমাঙ চহীদা লানফম কয়াদা মায় পাকখিদুনসু হৌজিক টালিবান অসি শেল-থুমগী লমদা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফীভমদা লৈরি।

‘মীচমশিং শিবা অমসুং শোকপগা মরী লৈনবা ফৎত্রবা পল্লিসিটি কয়ানা লাল অদু মীয়াম্না পাম্নরক্ত্রে’ হায়না মহাক্না হায়খি। ‘শেল পীরিবা মীওইশিং অসিনা মখোয়গী শেনফমশিংদু অঙাংশিং হাৎনবগী মাইনশিং লৈবদা শিজিন্নহনবা পামদ্রে।’

টালিবান্না লমদম অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা সিম্পেথাইজরশিংদগী দোনেসনশিং খোমদুনা লাকখি।

মখোয়না শেঞ্জাও পায়বা অফঘানশিং অমসুং গল্ফতা লৈবা আরব বিজনেসমেনশিংদগী দোনেসনশিং খোমখি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি মুভমেন্ট অদুগী শেল-থুমগী ফীভম অদুক্কী মতীক শোল্লে মদুদি ফীভম থীনা শোক্লবা ফাইটরশিং পাকিস্তানগী প্রাইভেট হোস্পিটাল-শিংদা তরাম্না ওক্লদ্রে মরমদি মখোয়না মখোয়গী হোস্পিটাল বিলশিং থিবা ঙমদে হায়না টালিবান ছোর্সশিংনা হায়রি।

জাকাজাদানা হায়খি, হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা ফোরন ক্রুপ অয়াম্বা চৎখিঙৈদগী অমসুং রাইভেল টালিবান গ্রুপশিংগী মরক্তা অমগা অমগা য়েংথিনদুনা খুৎ থোক্লরকখিবদগী টালিবান্না হৌজিকসু মীরৈবাক্কী ফোর্সশিংনা লৈবাক্তু পায়শিন্দুনা লৈবগী মায়োক্তা লাঞ্জং চঙশিল্লিবনি হায়না ক্লেম তৌরদুনা শোক্লরিবা লাল অদুগী লিজিটিমেসি হন্থখ্রে।

চহী ১৫ গী লালহৌ অদুদা শরুক য়াবা মীশক অমা নৎত্রবসু জাকাজাদা হৌজিকসু মুভমেন্ট অদুগা নকশিন্নবা মীশক অমা ওইরি। মহাক্কী মিৎয়েংশিং গর্দিঅনদা ৱা ঙাঙখিবা টালিবানগী এক্টিভ ওফিসলশিংগা মান্নে।

টালিবানগী লুচিংবশিংগী মরক্তগী সিনিয়র ফিগর অমনা হায়খি, হৌখিবা চহীগী জুলাইদা টালিবানবু হৌদোকখিবা মুলা উমার চহী খরগী মমাঙদা শিখ্রে হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা দোনেসনশিং হন্থরকখি।

মহাক্কী মহুৎশিনবা মুলা অখতর মানসুরবু চহী অসিদা য়ু এসনা দ্রোন এটেক অমা চথদুনা হাৎখিবদগীসু মুভমেন্ট অদুগী ফন্দ খোম্বগী থবকশিংদা অমুক হেন্না অকায়বা পীখি। নিংথিনা কন্নেক্সন লৈনবা বিজনেসমেন অমা ওইনা মনসুর মশামক্না দোনর কয়া দিল তৌখিবনি।

টালিবানগী অতোপ্পা মরু ওইবা ফন্দ লাকফম অমা ওইনা মখোয়না কন্ত্রোল তৌবা এরিয়াশিংদা পায়খৎলিবা শেল-থুমগী এক্টিভিটিশিং মরু ওইনা সাউদর্ন অফঘানিষ্টানদা ওপিয়মদগী শেল চাউনা তাল্লকখিবদুসু গ্রুপ অসিগী মনুংদা য়েংথীনবা লৈবদগী অকায়বা থোক্লকখি।

# থাইলেন্দদা ক্রাউন প্রিন্সনা নিংথৌ ওইবগী মতম চপ চারে: থাই পার্লিয়ামেন্ট

বেঙ্কোক, নবেম্বর ২৯ :

হৌজিক অসি ক্রাউন প্রিন্স ভাজিরালোংকোর্ননা ফম্বাল কানবগী চপ চারবা মতমনি হায়না থাইলেন্দগী পার্লিয়ামেন্টনা হায়রি।

‘লৈবাক্কী নিংথৌ ভুমিজেল অদুলয়াদেজ লৈখিদবদগী হৌজিক ফম্বাল হাংদুনা লৈ। হৌজিক অসি ক্রাউন প্রিন্স ভাজিরালোংকোর্নদা ফম্বালদা ফম্বা হৌনবা ইনভাইট তৌবগী চপ চারবা মতমনি’ হায়না নেসনল লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর পোর্নপেট ভিচিটকোনলা চাইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মথংগী খোঙথাং ওইনা ঐখোয়না ক্রাউন প্রিন্সতা পাউজেল অদু খঙহনগনি অমসুং ক্রাউন প্রিন্সপু লৈখিদ্রবা নিংথৌগী মহুৎ শিন্নবা ইনভাইট তৌগনি। মসি কোনুংগী (পেলেস) লোগী মতুং ইন্ননি।

ক্রাউন প্রিন্স মশামক্না হৌজিক হৌনবগী মতুং ইন্না, ফম্বাল কারগনি। মদু চয়োল অসিগী অথেংবদা পাংথোক্লগনি হায়রি।

# বেলোচিষ্টানগী কোর্টনা পর্বেজ মুশারফ ফানবা ওর্দর তৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ২৯ :

কুমজা ২০০৬ তা পাঙথোকখিবা ওপরেসন অমদা হান্নগী বেলোচ নেস্নেলিষ্ট লিদর নৱাব অকবর খান বুগতি হাৎখিবগী কেস অমগা মরী লৈননা হান্নগী পাকিস্তানি দিক্টেটর জেনরেল পর্বেজ মুশারফকী মায়োক্তা বেলোচিষ্টান হায় কোর্টনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা বেলেবল এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা ইস্যু তৌখ্রে।

কেস অদুদা মশাগী চহী ৭৩ শুরবা হান্নগী প্রসিদেন্ট অদুবু মরাল লৈতে হায়খিবা এন্টি-টেররিজম কোর্টকী ওর্দর শিংনরদুনা থারকখিবা রেভ্যু পিটিসনগী হিয়ারিং অমগী মনুংদা বেলোচিষ্টান হায় কোর্টকী দিভিজনেল বেঞ্চ অমনা ওর্দর অদু পাস তৌখিবনি হায়না পাউচে দোননা ফোঙদোকখি।

জষ্টিস জমল মন্দোখাইল অমসুং জষ্টিস জহীরুদ্দিন জাকরনা রিভ্যু পিটিসন অমা তৌখিবনি। রিভ্যু পিটিসন অদু অকবর বুগতিগী মচানুপা নৱাবজাদা জামিল বুগতিনা ফাইল তৌখিবনি।

মুশারফকী কাউন্সেল অখতর সাহনা কোর্টতা প্লি তোংখি মদুদি, মহাক্কী ক্লাইঅন্টনা কোর্টপু ঈকায় খুম্নরবসু সিক্যুরিটিগী মরমশিংদগী মহাক কোর্টতা থোকপা ঙম্লোই।

অদুম ওইনমক, বুগতিগী উকিলনা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না ওর্দর থোক্লবসু হান্নগী প্রসিদেন্ট পর্বেজ মুশারফনা কোর্টতা থোকখিদে হায়না কমপ্লেন তৌখি।

মুশারফনা কোর্ট কারকপা মতমদা এদমিনিষ্ট্রেসন্না মঙোন্দা সিক্যুরিটি মতীক চানা পীগদবনি হায়না কোর্ট অদুনা ওর্দর তৌখি।

পাকিস্তান গভর্ণমেন্টনা মুশারফপু মেদিকেল ট্রিটমেন্টকীদমক্তা চহী অসিদা মপানদা চৎপগী অয়াবা পীখিবনি।

বেলোচ লিদর নৱাব অকবর বুগতি কুমজা ২০০৬ কী ওগষ্ট ২৬ তা বেলোচিষ্টানগী কোহলু দিষ্ট্রিক্টকী টারাটানি চীংদা চথখিবা ওপরেসন অমদা হাৎখিবনি।

মহাক্কী প্রোভিন্সকী ওটোনোমি তাল্লদুনা অমসুং বেলোচিষ্টানগী নেচরেল রিছোর্সশিংগী শেন্দোংগী অহেনবা সিয়র দিমান্দ তৌরদুনা বুগতিনা খুৎলায় পায়বা খোঙজং অমা চঙশিনখিবনি।

বেলোচকী চিফটেন শিখিবদুদা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা প্রোটেষ্ট তৌনখি। কুমজা ২০০৮ গী মীখল মতুংদা ইম্পিচমেন্টমায়োক্নরকখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্টগী ফমদগী রিজাইন তৌখিবা মুশারফ ২০১৩ দা মীখল থেংননবা পাকিস্তানদা হল্লকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক কেস কয়াদা চেন্নে হায়না লাউথোকখি। মহাক মীখলদসু মায়থীখি।

সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দরগী মতুং ইন্না গভর্ণমেন্টনা মহাকপু মার্চথাদা লায়েংনবা মপান চৎনবগী অয়াবা পীদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক লৈবাক অদুবু থাদোক্তুনা চৎপা য়াহনখিদে। কুমজা ২০১৩ দগী মুশারফনা হায় ত্রিজনগী ট্রাইএল অমা য়াওনা কেস কয়া মায়োক্নদুনা লাকখি।

মহাক কুমজা ২০১৪ দা গভর্ণমেন্টনা লৈবাক্তু থাদোক্তুনা চৎপা য়াহনখিদে। কুমজা ১৯৯৯ দা মীশি-মীনা থোকহনখিদবা কু অমা পাঙথোক্তুনা মুশারফনা লৈঙাক্কী পৱার পায়শিন-খিবনি। মহাক্না মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফপু মফমদগী চিংথুখি।

# ম্যান্মারগী ওৎপী-নৈহৎপীরবা রোহিংয়া রিফ্যুজিশিং বাংলাদেশকী বোর্দর গার্দশিংনা হলহনখ্রে



ধাকা, নবেম্বর ২৯ :

ম্যান্মারদা চথরিবা হাৎপা, পুনবা অমসুং ওৎ- নৈবগী থৌওংশিংদগী নান্থোক্লবা চেনবা রোহিংয়া রিফ্যুজিশিংনা থন্না য়াওবা হি কয়া বাংলাদেশকী বোর্দর গার্দশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হলহনখ্রে।

লৈবাক অদুগী ওপোজিসনগী মায়কৈদগী তাথি-তাওইনা তৌবীরবা মুস্লিম মাইনোরিটি অদুবু চঙজফম পীনবা আপিল কয়া তৌবা লৈনা-লৈনা রিফ্যুজিশিংদুবু হলহনখিবনি।

ম্যান্মারগী নোংচুপ থংবা রাখিনে ষ্টেটতগী তৌফম খঙদদুনা ঙাওচৎনরবা ময়ুম-মকৈ থাদোক্লবা রোহিংয়া লিশিং কয়ানা হৌখিবা চয়োলদা বাংলাদেশকী বোর্দরদা থোমজিনখি। মখোয়না ম্যান্মারগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী খুৎতা গেংরেপ তৌবা, টোর্চর অমসুং হাৎপা-পুনবা কয়াগী কিনিংঙাই ওইরবা পাউদমশিং তমখি।

রাখিনে ষ্টেটপু সাউদর্ন বাংলাদেশতগী তোখায়না খায়দোক্লিবা নাফ তুরেল লান্থোক্লবা হোৎনখিবা হি নিপান নিংথৌকাবা নুমিৎতা হলহনখি। নোংমাইজিং নুমিৎতা হিনাও তরুক চঙবা য়াহনখিদ্রবা মতুংদা হিনাও নিপানমক্তু হলহনখিবনি হায়না বাংলাদেশকী ফ্রন্টিয়র টাউন টেকনাফতা কর্নেল অবুজর অল জহিদনা এ এফ পিদা হায়খি।

‘হি খুদিংমক্তা রোহিংয়া ১২ দগী ১৩ ফাওবা তোংখি’ হায়না জহিদনা হায়খি।

ধাকানা হায়রি মদুদি অহেনবা মীওই লিশিং কয়া বোর্দরদা থোমজিন্দুনা লৈরি তৌইগুম্বসুং মখোয়বু লৈবাক অদুদা চঙহন্নবা মালেমগী লৈবাক কয়ানা তৌবা আপিলশিংদি লৌদ্রি।

রিফ্যুজিশিংদুবু চঙহনবগী মহুত্তা ম্যান্মারদা মীশিংনা লৈবাক্তু থাদোক্তুনা চৎপা লেপহন্নবগী অহেনবা থৌরাংশিং লৌখৎনবা তকশিনখি।

হৌখিবা চয়োল অনীসিদা বাংলাদেসি বোর্দর গার্দশিংনা নুপী অমসুং অঙাং কয়া য়াওনা লৈবাক অদুদা হিশিং তোংদুনা চঙনবা রোহিংয়া ১০০০ হেন্না চঙহনখিদে হায়না ওফিসলশিংনা এ এফ পিদা হায়খি।


মুস্লিমশিংনা মেজোরিটি ওইবা লৈবাক্তুদা রোহিংয়াশিংবু চঙজফম পীগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরদুনা লাউ-খোংলিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং হার্দলাইন ইস্লামিষ্ট গ্রুপশিংদা বাংলাদেশকী মেইন ওপোজিসন লিদর খালেদা জিয়াসু থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা য়াওশিনখ্রে।

রাখিনেদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০,০০০ ময়ুম-মকৈ থাদোক্লখ্রে অমসুং হৌখিবা থাদা মীওই কয়ানা বাংলাদেশ য়ৌনবা হোৎনখি। অকনবা বোর্দর পেত্রোল মরক্তা মীওই কয়ানা হান্না বাংলাদেশকী মায়কৈদা লৈখিবা রোহিংয়া রিফ্যুজিশিংগী মরক্তা লৈনবা হোৎনখি।

সমিরা অখতরনা এ এফ পিদা ফোনগী খুত্থাংদা হায়খি মদুদি, নিংথৌকাবা নুমিৎতা মহাক্না বাংলাদেশতা ওফিসল ওইদবা রিফ্যুজি কেম্প অমা য়ৌখি। মহাক রাখিনে ষ্টেটতা লৈবা মহাক্কী খুঙ্গং অদুদগী মহাক্কী অঙাং অহুম অমসুং অতৈ ৪৯ গা লোয়ননা চেল্লকখিবনি।

‘মিলিটরিনা ঐহাক্কী ইপুরোইববু হাৎখি অমসুং ঐখোয়গী য়ুমবুনা মৈ থাখি। ঐহাক্কী অঙাং অহুম অমসুং য়ুম্লোন্নবশিংগা লোয়ননা চীং অমদা চেনখি। মফমদুদা ঐখোয় চয়োল অমা লোত্তুনা লৈখি’ হায়না মশাগী চহী ২৭শুরবা অখতরনা হায়খি। কেম্প অদুদা লৈবা রোহিংয়া লিদর দুদু মিয়ানা হায়খি, ওক্টোবর থাদগী হৌজিক ফাওবদা কম্ম্যুনিটি অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১,৩৩৮ থুংনখ্রে।

# ব্রাজিলগী ফুটবোল টিম পুবা প্লেন কলম্বীয়াদা কায়খ্রে



বোগোটা, নবেম্বর ২৯ :

ব্রাজিলগী ফার্ষ্ট দিভিজন সোক্কর টিম অমা য়াওনা মীওই ৮১ তোংবা চারটর্দ এয়রক্রাফ্ট অমা মেদনিনগী ইন্টরনেস্নেল এয়রপোর্ট অমা তন্না পাইবগী লম্বীদা কায়খ্রে। ব্রাজিলগী সোক্কর টিম অদু রিজনেল টুর্নামেন্ট ফাইনেল অমগীদমক্তা কলম্বীয়া পাংখিবনি।

এভিয়েসন ওথোরিটিশিংনা হায়খি মদুদি ক্রাস অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬ হিংহৌবগী পাউ লৈ। লোকেল মেয়র অমনা হায়খি মদুদি, প্লেন কায়ফম অদুদগী য়ামদ্রবদা পেসেঞ্জর অহুম রেস্ক্যু তৌরে অমসুং হিংহৌবা মীওই খরগসু লৈরমগনি হায়না থাজনরি তৌইগুম্বসুং ক্রাস মফমদুদা চঙবদু অরুবা অমা ওইদুনা লৈরি।

‘মসি অচৌবা অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক অমনি’ হায়না সিটিগী মপান্দা চীংগী এরিয়া অমদা লৈবা ক্রাস সাইট অদুদা চৎপগী লম্বীদা মেদিলিনগী মেয়র ফেদেরিকো গুটিয়েরিজনা ব্লু রেদিওদা হায়খি।

এভিয়েসন ওথোরিটিশিংনা হায়খি মদুদি, লামিয়া কৌবা বোলিভিয়ন চার্টর এয়রলাইন অমনা ওপরেট তৌবা তেন্না পাইবা বৃটিশ এরোপ্লেন ১৪৬ প্লেন অদুনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ১১ তাবদা ইলেক্ট্রিকেল ফেল্যরনা মরম ওইদুনা ইম্মরজেন্সি লেন্দিং তৌরগনি হায়না লাউথোক্লমখি।

ওথোরিটিশিং অমসুং রেস্ক্যুঅরশিং খুদক্তা এক্টিভেট তৌখি তৌইগুম্বসুং মিৎ শেংনা উবা ঙমদবনা মরম ওইদুনা এয়র ফোর্সকী হেলিকোপ্টর অমা মমায় লৈদুনা হনবা তাখি। কলম্বীয়াদা লোকেল মিদিয়ানা প্লেন কায়রবা মতুংদা অলান কৌবা নুপা পেসেঞ্জর অমা মেদিলিনগী মনাক্তা লৈবা হোস্পিটাল অমদা এম্বুলেন্স অমদা থুংলখি।

পেসেঞ্জর অদু ওক্সিজেন মাস্ককা লোয়ননা ব্লাঙ্কেট অমনা কুপ্লগা ষ্টেটচর অমদা হান্না থুংখি। মহাক মথৱায় হিংলিবা মীওই অমা ওইনা উখি হায়না এসোসিয়েটেদ প্রেসনা ফোঙদোকখি।

সান্তা ক্রুজ, বোলিভিয়াদা খামখিবা এয়র ক্রাফট অদু সাউদর্ন ব্রাজিলদগী ফার্ষ্ট দিভিজন সোক্কর টিম অমা পুখিবনি। টিম অদু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মেদিলিনগী এটলেটিকো নেসিওনেলগী মায়োক্তা গেম অনী লৈবা কোপা সুদা-অমেরিকাগী অহানবা ফাইনেল শান্নগদবনি।

প্লেন অদুদা পেসেঞ্জর ৭২ অমসুং ক্রু মেম্বর ৯ তোংখি হায়না এভিয়েসন ওথোরিটিশিংগী ৱারোল অমনা হায়খি।

প্লেন অদুমক্না থা অসিগী অঙনবদা ব্রাজিলদা শান্নখিবা মেচ অমগীদমক্তা অর্জেন্টিনাগী নেসনল স্কৱাদসু পুখিবনি।

চৈরকসিদা, প্লেন কায়বগী থৌদোক্তুনা মরম ওইদুনা সাউথ অমেরিকান কপ ফাইনেল হান্নগী মতমদা পাঙথোক্লরোই হায়না সাউথ অমেরিকান ফুটবোল ফেদরেসন (কোনমেবোল) না মসিগী ৱেবসাইটতা ফোঙদোকখ্রে।

# কার অমসুং থাংগী এটেক্কী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথরি

কেলম্বস, নবেম্বর ২৯ :

নিংথৌকাবা নুমিৎতা ওহাইও ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় অমনা কার অমসুং থাংগী এটেক অমা চথদুনা মীওই ১১ শোকহনখিবগী থৌদোক অদু টেরর এটেক অমরা হায়বদু খঙদোক্লবা থিজিল্লি হায়রি। সসপেক্ট অদু পুলিস ওফিসর অমনা থৌদোক থোকফমদা কাপ্তুনা হাৎখি।

অব্দুল রাজাক অলি অটন কৌবা সসপেক্ট অদু মীওই কাঙবু অমদা কার থৌজিনখিবগা লোয়নন গাড়ীদগী চোংথোরক্লগা স্কুল অদুগী কেম্পসতা শা শেম্বগী থাং অমা পায়রগা মীশিংদা থিনখিবা মতুংদা ফোর্সতা লৈবা চহী অনী ফাদ্রিবা পুলিস ওফিসর অমনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি হায়না ওহাইও ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী পব্লিক সেফটিগী দিরেক্টর মোনিকা মোলনা হায়খি।

এটেক্কর অদু সোমালিয়াদগী ইম্মিগ্রেন্ট অমনি অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী লোফুল পার্মিনেন্ট রেসিদেন্ট অমনি হায়না য়ু এস গভর্ণমেন্টকী ছোর্স অনীনা হায়খি।

অর্টননা মহাক্কী মরৈবাক সোমালিয়া থাদোক্লবা মতুংদা পাকিস্তানদা চহী ৭ লেনখি। মদুগী মতুংদা মহাক চহী অনীগী মমাঙদা রিফ্যুজি অমা ওইনা য়ু এসতা লাকখিবনি। হাউস পার্মিনেন্ট সেলেক্ট কম্মিটি ওন ইন্টলিজেন্সকী রেঙ্কিং দেমোক্রেট য়ু এসকী রিপ্রজেন্টিটিব অদাম স্কিফনা হায়খি ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংনা ইনভেষ্টিগেসন অদুদা মতেং পাংলি।

‘মদু কা হেনবা ৱাখল চেল্লবা মীওই অমনা পাঙথোকপা টেরর এটেক অমগী মশক মমিংশিং য়াওরি’ হায়না স্কিফকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন চথরিবদুনা মরম ওইদুনা মশক মমিং ফোঙদোকহনখিদবা অতোপ্পা য়ু এসকী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, য়ু এসকী এজেন্সিশিংনা এটেক্করশিংদুগী বেকগ্রাউন্দ অমসুং মোটিভেসনশিং থিদোক্লে, তৌইগুম্বসুং মহাক মিলিটেন্ট সেলশিং নৎত্রগা গ্রুপশিংনি হায়না চিংনবশিংগা শম্নে হায়বগী চপ চাবদি খঙদ্রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা প্রসিদেন্ট বারাক ওবামাবু মহাক্কী হোমলেন্দ সিক্যুরিটি এদভাইজর লিজা মোনাকোনা ব্রিফ তৌখি হায়না হ্বাইট হাউসকী স্পোক্সমেন জোশ অর্নেষ্টনা হায়খি।




HL-B/3401/20/10-19/11

## /EMPLOYMENT NEWS

**Central Council for Research in Ayurvedic Sciences – CCRAS Recruitment 2017 – 46 Research Assistant, Lab Technician & Various Vacancies – Last Date 15 December 2016**

**CCRAS Recruitment 2017 – 2016**

Central Council for Research in Ayurvedic Sciences invites Applications for the posts of 46 Research Assistant, Lab Technician & Various Vacancies . Apply Before 15 December 2016.

**Job Details :**

Post Name : Research Assistant
No of Vacancy : 09 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs.4200/-
Post Name : Lab Technician
No of Vacancy : 05 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2400/-

**Eligibility Criteria For CCRAS Recruitment :**

Educational Qualification :

For Research Assistant : M.Sc in relevant Discipline with 1 year experience or B.Sc in relevant Discipline with 3 years experience.

For Lab Technician : Diploma in Laboratory Techniques or B.Sc. (Biology Chemistry).

Nationality : Indian
Age Limit :
For Research Assistant : 18 to 28 years
For Lab Technician : 18 to 28 years

**Job Location : Jhansi (Uttar Pradesh)**

**How to Apply CCRAS Vacancy :** Interested candidates may apply in Plain Paper along with relevant document & postal stamp of Rs. 27/- send to Regional Ayurveda Research Institute, Gwalior Road, Jhansi-284003 on or before 15.12.2016.

**Important Dates to Remember :**

Last Date for Submission of Application : 15.12.2016

**Important Links :**

Detail Advertisement Link : http://www.ccras.nic.in/Advt/recruitment/04112016_RARI_Jhansi_EnglishAdvt.pdf

**Northern Railway Recruitment 2017 – 22 Staff Nurse, Lab Assistant & Radiographer Vacancy – Last Date 19 December 2016**

Northern Railways invites application for the post of 22 Staff Nurse, Lab Assistant & Radiographer / X-Ray Technician on contract basis. Apply before 19 December 2015.

**Job Location : Delhi**

**Job Details :**

Post Name : Staff Nurse
No. of Vacancy : 13 Posts
Pay Scale : Rs.21190/- (Per month)

Post Name : Lab Assistant
No of Vacancy : 07 Posts
Pay Scale : Rs. 10970/- (Per month)

Post Name : Radiographer / X-Ray Technician
No of Vacancy : 02 Posts
Pay Scale : Rs. 12190/- (Per month)

**Eligibility Criteria for Northern Railway Recruitment :**

Educational Qualification :

For Staff Nurse : Certificate as Registered Nurse and Midwife having passed three years course in General Nursing and Midwifery from a school of Nursing or other Institutions recognized by Indian Nursing Council or B Sc (Nursing).

For Lab Assistant : 12th (10 + 2 stage) with Science, plus diploma in Medical in Medical Lab Technology (DMLT).

For Radiographer : 10+2 with Physics and Chemistry and Diploma in Radiography / X-Ray Technician, Radiodiagnosis Technology (2 Years course) from recognized Institute. Science Graduate with Diploma in Radiography, X-Ray Technician, Radio diagnosis Technology.

Nationality : Indian
Age Limit : As on 01.01.2016
For Staff Nurse : 20 to 39 years
For Lab Assistant : 18 to 32 years
For Radiographer : 19 to 32 years

**Age Relaxation :**

For SC/ST Candidates : 5 years
For OBC Candidates : 3 Years

**How to Apply Northern Railway Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with attested photocopies of educational qualification, Technical Qualification, extra qualification and experience certificate of working experience send by Ordinary Post to office of the Medical Director, Northern Railway Central Hospital Basant Lane New Delhi 110055 on or before 19.12.2015.

**Important Dates to Remember :**

Last Date for Submission of Application form : 19.12.2015
Date of Interview : 6,7 & 11.01.2016

**Important Links :**

Details Advertisement & Application Form Link : http://www.nr.indianrailways.gov.in/nr/recruitment/1448273553116_Recruitment%20Notice.pdf